# মেদল ফংলকখ্রবা স্বিম্মরশিং তরাম্না ওকখ্রে মালেমগী থাক্কী স্বিম্মিং পূল অমা থম্নবা হোৎনরগনিঃ রামেশ্বর

**ককচিং, জন্যুৱারী ০৫(ঐচ এন এস):**

মণিপুরগী খা মায়কৈদা মালেমগী থাক্তা অফবা স্বিম্মরশিং পুথোকপা ঙম্নবগীদমক মালেমগী থাক্কী ওইবা স্বিম্মিং পূল অমা থম্নবা হোৎনরগনি হায়না ককচিং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা এন পি পি লেজিসলেটরগী লুচিংবা ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

টেলঙ্গনাদা মমাঙ চহীগী নবেম্বর ২১দগী হৌরগা ২৩ ফাওবা চথখিবা ২১ রক শুবা নেশনল মাষ্টর্স এক্বাটিক চেম্পিয়ন ২০২৫দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুখিবা অমসুং মেদল ফংলকখিবা শান্নরোয়শিং হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরমদা এম এল এ রামেশ্বরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিএশন (এম এস এ)না শীন্দুনা ঙসি ককচিং মোইরাংথেম লৈকায়, সেংমাই নিংথৌদা লৈবা এম নরজিৎকী য়ুমদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অথোয়বা মীথুংলেন, মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিএশনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী হান্নগী জোইন্ট দিরেক্টর তেনশুবম থৌবনা থৌরম মপু অদুগা দিষ্ট্রিক্ট স্বিম্মিং এসোসিএশন ককচিংগী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম ঝুলোন অমসুং থবক্তগী পোথারবা হেদ মাষ্টর সৌগাইজম শ্যামজাইনা মথংশিংনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।




থৌরম অদুদা অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ রামেশ্বরনা হায়, স্বিম্মিং হায়রিবা মশান্না অসি হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক মথৌ পাঙথোকহনবা মশান্না অমনি। অসিগুম্বা মশান্না অসিদা অহল ওইরবা কয়ানা নেশনলগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড মেদল ১৪, সিলভর মেদল ১০ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৯ য়াওরগা পুন্না মেদল ৩৩ লৌরকপা ঙম্বা অসিমক মণিপুরগী ওইনা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি। মেদল লৌরকখিবা, শরুক য়ারুবা অমসুং মণিপুর টিমগী ওফিসল খুদিংমকপুসু মহাক্কী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, শান্নরোয়শিং অসিনা তুংদা লাক্কদবা চেম্পিয়ন্সিপ কয়াদসু হেন্না মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। মতম অমদা স্বিম্মিং মশান্না অসি তুরেলদা, পুখ্রিদা প্রেক্টিস তৌবা য়ারল্লবসু ঙসিদি টেক্নিকেলগী ওইবা অহোংবা কয়া লাকখিবনা মতীক চাবা অফবা স্বিম্মিং পূল অমগী মথৌ য়াম্না তারক্লে। মরম অদুনা মণিপুরগী খা মায়কৈদা লৈরিবা ককচিং, থৌবাল, তেংনৌপল অমদি চান্দেলগী কম্মন ওইগদবা ককচিংগী মফম অমদা মালেমগী থাক্কী স্বিম্মিং পূল অমা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা শানবা হোৎনরগনি। ফন্দগী ওইনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকীদি অৱাৎপা করিসু লৈতে। থাদরকপা ফন্দ কয়া মতম চান-চানা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পীবা ঙমদবনা ফন্দ অয়াম্বা মখা তানা থাদরক্তবনি। গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা থাদরকপা ফন্দ খুদিংমক মতম চান-চানা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পীখৎপা ঙম্লবদি দিভেলপমেন্টকী থবক্তা ফন্দগী অৱাৎপা লৈরোই হায়না খল্লি হায়খি।

ঙসি হরাও-তরাম্না ওকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি চহী ৭৫-৭৯গী কাংলুপতা সনাগী মেদল ৬ ফংলকখ্রবা ক্ষেত্রিময়ুম মঙ্গি, চহী ৭০-৭৪ ফাওবদা সনাগী মেদল ৫ ফংলকখ্রবা এম খোমদোন, চহী ৭০-৭৪গী কাংলুপতা সনাগী মেদল ফংলকখ্রবা এন নরজিৎ, চহী ৭৫-৭৯গী কাংলুপতা লুপাগী মেদল অনী ফংলকখ্রবা এস মোহেন্দ্রো, চহী ৪৫-৪৯গী কাংলুপতা লুপাগী মেদল ফংলকখ্রবা টি রনবির, চহী ৬৫দগী ৬৯গী কাংলুপতা সনাগী মেদল লৌরকখ্রবা এম সুবোল, চহী ৫৫দগী ৫৯ ফাওবগী কাংলুপতা লুপাগী মেদল ৩ ফংলকখ্রবা প্রেমানন্দ মৈতৈ, চহী ৫৫দগী ৫৯ ফাওবগী কাংলুপতা সেঞ্জেংগী মেদল লৌরকখ্রবা ৱাই হেরাচন্দ্র, সনাগী মেদল ২ অমসুং লুপা মেদল ২ লৌরকখ্রবী এ মানবী, লুপাগী মেদল ২, সেঞ্জেংগী মেদল ২ লৌরকখ্রবী এ সনধ্যারানি, সেঞ্জেংগী মেদল লৌরকখ্রবা এন থাসনা, সনাগী মেদল ১, সেঞ্জেংগী মেদল ৩ লৌরকখ্রবা এ অজয়কুমার অমদি সেঞ্জেংগী মেদল ১ লৌরকখ্রবা এল সোমোরজিৎনি।

# য়ুথ লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টঃ আই ৱাই এ ককচিং অমসুং এম ৱাই সী ৱাইখোং মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস):**

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচিংগী শান্নবুংদা চথরিবা ৩ লক শুবা য়ুথ লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা আই ৱাই এ ককচিং অমসুং এম ৱাই সী ৱাইখোং মায় পাকখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪৫ তাবদগী হৌরগা অহানবা গ্রাউন্দগী অহুমশুবা মেটচতা আই ৱাই এ ককচিং অমসুং এস এফ সী সোরাগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী আই ৱাই এগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবদা আই ৱাই এনা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা আই ৱাই এগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক এস এফ সীগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু আই ৱাই এনা পাঞ্জল ৪-০দা লাকচনা থোইবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দগী মরিশুবা লিগ মেটচ ওইনা এম ৱাই সী ৱাইখোং অমসুং এ আই এফ এ ইরেংবন্দগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা এম ৱাই সীনা য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা মায় পাকখিবনি।

# ভেটো লফুপাৎ তেরানা টিম চেম্পিয়ন ওইরে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএশননা শীন্দুনা নোংমাইখোংদা চথরল্লিবা ৭২ রক শুবা মণিপুর ষ্টেট সিনিয়র ৱিমেন কবাদি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভেতো লফুপাৎ তেরানা নয়া নোংমাইখোংবু পোইন্ট ৩৫-১৯দা মায়থীবা পীরল্লগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওইনা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ভেতোনা ইম্ফাল ইষ্টপু পোইন্ট ৪১-১৬তা অদুগা নয়া নোংমাইখোংনা এল ৱাই য়ু সী লৌরেম্বমবু পোইন্ট ৪৭-১৭তা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।


**SBI**

**State Bank of India**

Central Recruitment & Promotion Department

Corporate Centre, Mumbai

Phone: 022-22820427

Scan QR to Apply

**Recruitment of Specialist Cadre Officer on contract Basis**

Applications are invited from eligible Indian citizens for the following post on Contract basis:

**Advertisement No.: CRPD/SCO/2025-26/19 (Contractual position)**

| Name of Post | Vacancy | Max Age (Cut off 31.12.2025) |
|---|---|---|
| Vice President (Investor Relations) | 1 | 50 years |


For eligibility criteria (age, experience, job profile etc.), vacancy details, requisite fees, other details and for online submission of application as well as online payment of application fees log on to Bank's website https://sbi.bank.in/web/careers/current-openings. Refer detailed advertisement to ensure eligibility and other details before applying and remitting fees. For any query, please write to us through link "CONTACT US" → "Post Your Query" which is available on Bank's official website (https://sbi.bank.in/web/careers/post-your-query)

- DATE FOR FILING ONLINE APPLICATION & PAYMENT OF FEES: FROM 03.01.2026 to 23.01.2026.

**Place:** Mumbai

**Date:** 03.01.2026 HL-B/11108/6 **General Manager (RP & PM)**


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1699**

**Timofey D Khaleev (1938) - R. Vulinovic (2019)**
**38th Belgrade Trophy Belgrade SRB, 2025.11.30**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Be7 | 4.cxd5 exd5 | 5.Bf4 c6 |
| 6.e3 Bf5 | 7.Nge2 Nd7 | 8.h4 h6 | 9.Ng3 Bh7 | 10.Bd3 Bxd3 |
| 11.Qxd3 g6 | 12.e4 Nb6 | 13.h5 g5 | 14.Be3 dxe4 | 15.Ncxe4 Qd7 |
| 16.O-O Kf8 | 17.f4 g4 | 18.f5 Nf6 | 19.Bf4 Nxe4 | 20.Nxe4 f6 |
| 21.Rad1 Kf7 | 22.Qe2 Qd5 | 23.Rde1 Rae8 | 24.Qxg4 Rhg8 | 25.Qh4 Nd7 |
| 26.Bxh6 Bb4 | 27.Re3 Rh8 | 28.Ng5+ fxg5 | 29.Qxg5 Rhg8 | 30. ... |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1698 Solution :**

**19. Re8** *Mating net The white rook deflects Black's knight away from protecting the square h7.* **Nxe8**

*19...d5 20.Rxf8#*
*19...Bxg6 20.Rxf8#*
*19...fxg6 20.Rxf8#*
*19...Rxe8 20.Bxf7#*

**20. Qh7#**
**1-0**






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com